ইন্দিয়াগী সোনম ৱাংচুক অমসুং ভারত ভটৱানিনা চহী অসিগী রমন মাগসেসে এৱার্দ ফংলে

মনিলা, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):

পূক্নিং-ৱাখল শোয়নাইবশিং অমসুং লদাক্কী মীয়ামগীদমক শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়া মচা অনী লেমজনিংঙাই ওইরবা রমন মাগসেসে এৱার্দ ফংলে। এসিয়াগী ওইনা নোবেল প্রাইজগা মান্ননা থাক ৱাংনা লৈরবা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অদু ঙসি অতোপ্পা মীওই মরিগা লোয়ননা মনিলাদা পাঙথোকপা চীং লেপ্লবা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখ্রে।

ভারত ভটৱানি ইন্দিয়াগী পূক্নিং-ৱাখলগী অনাবা লৈরবা অমদি পূক্নিং শোন্থরবা মীওইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা অমদি ফহন্নবগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং কয়া লৌখিবা অমসুং লম অদুদা মপুন্সি কথোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌখিবগীদমক রমন মাগসেস এৱার্দ ফাউন্দেসন্না মনা অদু পীদুনা ঈকায় খুম্নখিবনি হায়রি।

ভটৱানি মুম্বাইদা লৈবা মীওইনি। ভটৱানিনা মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা পূক্নিং-ৱাখলগী অনাবা লৈরবা অমদি লম্বীদা কোয়চৎ চৎতুনা লৈরবা মীওইশিংবু মখোয়গী প্রাইভেট ক্লিনিক অমদা পুশিন্দুনা লায়েংবা হৌখি। কুমজা ১৯৮৮ তা স্রাধা রিহেব্লিটেসন ফাউন্দেসন লিংখৎতুনা লম্বীদা চৎতুনা লৈরবা পূক্নিং-ৱাখলগী অনাবা লৈরবশিংবু লেম্না লায়েংবা, চঙজফম পীবা, চীঞ্জাক অমসুং মখোয়গী লৈফম চাফম পীবগী থৌশিল পায়খৎখি। মখোয়বু অনাবা মখল অদুদগী ফহন্দুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা পুন্না লৈমিন্নবা ফংহনখি হায়রি। অদুগা সোনম ৱাংচুক (৫১) না ইন্দিয়াগী অৱাং থংবা মনুং হঞ্জিনবা মরুওইনা লদাক্কী নহা ওইরিবা মীওইশিংদা হিংবগী ৱাখল্লোন পোকহনবা অমদি মহৈ-মশিন তম্বগী লমদা অখন্নবা থৌদাং কয়া লৌখি। মহাক্না শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা সাইন্স এন্দ কলচরগা মরী লৈনবা থৌশিল কয়া পায়খৎতুনা নহারোল-শিংবু পূক্নিং-লৌশিং পীননবা হোৎনখি। ৱাংচুক শ্রীনগরদা লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা এঞ্জিনিয়ারিং তম্লকখিবা মহৈরোয়নি। মহাক্না লদাক্কী নহা ওইরিবা মীওইশিংদা করম তৌনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎকদগে হায়বগী মতাংদা থৌশিল কয়া পায়খৎখি। মহৈরোয়-শিংবু অৱাংবা থাক য়ৌনা মহৈ-মশিন তমহন্নবা হোৎনখি।

কুমজা ১৯৮৮ তা এঞ্জিনিয়ারিং তম্বা লোইশিল্লবা মতুং লদাক্তা ষ্টুদেন্টস এদ্যুকেসন এন্দ কলচরেল মুভমেন্ট ওফ লদাক লিংখৎখি। লৈঙাক্লা পাঙথোকপা এগজামদা ফেল ওইরবা মহৈরোয় কয়াদা কোচিং পীবগী থৌশল চথখি। মদুদা নত্তনা কুমজা ১৯৯৪ দা ৱাংচুকনা লুচিংদুনা ওপরেসন ন্যু হোপ (ও এন ঐচ) হৌদোক্তুনা লদাক্তা ওইরিবা মহৈ-মশিনগী ফীভম শেমদোক্লবা অকনবা থৌশিল পায়খৎখি।

ইন্দিয়া মচা অনীগা লোয়ননা লেমজনিংঙাই ওইরবা রমন মাগসেসে ফংখ্রবা মীওইশিং অদুদি, কম্বোদিয়াদগী য়োকচাং, ইষ্ট টিমোরদগী মারিয়া দি লোর্দেস মার্টিন ক্রুজ, ফিলিপিন্সতগী হৱার্দ দি অমসুং ভিয়েটনামদগী ভো থি হোৱাং য়েননি হায়রি।

এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইরবা রমন মাগসেসে এৱার্দ অদু কুমজা ১৯৫৭ দা লিংখৎতুনা পীবা হৌখি। ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্টকী মিং লৌদুনা এৱার্দ অদু তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবশিংদা পীবনি। ফিলিপিন্সকী অহুমশুবা প্রসিদেন্ট রমন মাগসেসেনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু নীংশিংদুনা মহাক্কী মিংদা ফাউন্দেসন অমা লিংখৎতুনা মনা অদু পীবা হৌরকখিবনি। ফিলিপিন্সকী লুচিংবা অদুনা কথোকপগা লোয়ননা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু লমদম অদুগী মীয়াম্না শিংথাদুনা অমদি নুংশিনা এৱার্দ অদু লিংখৎখিবনি হায়রি।

পি এমনা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী চাউবা পোষ্ট পেমেন্ট বেঙ্ক লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়া পোষ্ট পেমেন্ট বেঙ্ক (আই পি পি বি) হৌদোকখ্রে। পেমেন্ট বেঙ্ক অদু লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা অমা ওইরগনি।

পেমেন্ট বেঙ্ক অদুনা স্মোল স্কেলদগী হৌরগা বেঙ্কিং ওপরেসন খুদিংমক পাঙথোক্কনি। অদুম ওইনমক বেঙ্ক অদুনা লোন নৎত্রগা ক্রেদিট কার্দ হকথেংননা পীবদি ঙমদে হায়রি।

আই পি পি বিনা তোঙান তোঙানবা ব্রাঞ্চ ৬৫০ দা মপুং ফানা ওপরেসন তৌগনি। অনৌবা বেঙ্ক অদুনা পোষ্টেল দিপার্টমেন্টকী পাক চাউরবা নেটৱার্কক্কা মান্ননা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহনগনি। লোয়ননা মীয়াম্না লায়না বেঙ্কিং সেক্তরদা শরুক য়াবা ঙম্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৫ দা রিজাব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা এপ্লিকান্টশিং অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অঙকপ ফংবা অমসুং থুনা য়াংনা বেঙ্কিং সেক্তর চাউখৎহনবা ঙম্লমখি। ইন্দিয়ন পোষ্টেল পেমেন্ট বেঙ্ককী খুথাংদা লৈবাক অসিগী কোচিন-কোয়া শিনবা থুংনা বেঙ্কিং সার্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা খুদোংচাবা অদু লৈগনি হায়খি। ইন্দিয়ন পোষ্ট পেমেন্ট বেঙ্ক অদুগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোষ্ট ওফিস লাখ ১.৫৫ কা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা শম্নহনগনি। মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা বেঙ্ক সার্ভিসকী খুদোংচাবশিং ফংলগনি। আই পি পি বিগী ব্রাঞ্চ ৬৫০ দা নত্তনা অতোপ্পা এক্সেস পোইন্ট ৩০০০ দগী মীয়াম্না বেঙ্কিং সার্ভিসকী খুদোংচাবা ফংবা ঙম্লগনি। মমাঙ চয়োলদা চাদা ৮০ য়ৌনা ফন্দ কাহল্লকপা ঙমখি। মদুনা ষ্টেটশিংগী মনুং চন্না লৈবা প্রাইভেট প্লেয়রশিং মরুওইনা এয়রটেল পেমেন্ট বেঙ্ক অমসুং পেটম পেমেন্ট বেঙ্কশিংদসু মতেং পীবা ঙমগনি। আই পি পি বিগী মখাদা সেভিং অমসুং করেন্ট একাউন্টশিং হাংবা য়াগনি। মনি ট্রান্সফর, দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফর, বিল এন্দ য়ুটিলিটি পেমেন্ট, ইন্টরপ্রাইজ এন্দ মার্সেন পেমেন্ট অমসুং অনৌবা পেমেন্ট বেঙ্ককী খুদোংচাবশিংসু ফংহনগনি। তোঙান তোঙানবা চেনেলশিংগী খুথাংদা আই পি পি বিগী সার্ভিসশিং ফংগনি। এ টি এম, মোবাইল বেঙ্কিং এপ, এস এম এস অমসুং ইন্টরেক্টিব ভোইস রেস্পোন্সকী খুদোংচাবশিংসু ফংগনি হায়রি।

জম্মু অমসুং কাশ্মির পুলিসকী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পুং ২৪ গী মতুংদা থাদোরক্লে

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):

টেররিষ্টশিংনা ফাখিবা ষ্টেট পুলিসকী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পুং ২৪ গী মনুংদা ঙসি থাদোরক্লে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইমুং-মুনুংগী মীওইশিং অদু শগোলশেন নুমীৎকী নুমীদাংদা টেররিষ্টশিংনা ময়ুম-ময়ুমদগী ফাখিবনি। পাউগী লীখুন অসিগী মতুংইন্না টেররিষ্টশিংনা ফাখ্রবা মীওইশিং অদু থাদোরক্লে হায়বা পাউ লৈরে। অদুম ওইনমক পুলিসনা মীওইশিং অদু ময়ুমদা য়ৌরক্লবরা হায়বা খঙদোক্লবা য়েংশিনবগী থবক চথখ্রে। জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফ্টি অমসুং ওমর অব্দুলানা ষ্টেট পুলিস পর্সনেলশিংগী ইমুং-মনুং ফাদুনা পুখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

মীওইশিং অদু সোপিয়ান, কুলগাম, অনন্তনাগ অমসুং অৱান্তিপোরা লমদমদগী মিলিটেন্টশিংনা ফাখিবনি। লোয়ননা খা থংবা কাশ্মিরগী শরুক্তগীসু মীওই খরা ফাখিবগী পাউ পুলিসনা ফংবা ঙমখি হায়রি। ফীভম অদু মীকুপ-নাহুম শিংনা য়েংশিল্লি। চপ চানা খঙলবা মতুং মীয়ামদা ময়েক শেংবা ৱাফম ফোঙদোক্কনি হায়না পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না মালেমগী ওইনা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা টেররিষ্ট সয়িদ সলাউদ্দিনগী অনীশুবা মচানুপা অমা ফাখিবা মতুং মিলিটেন্টশিংনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলিস পর্সনেলশিংগী ইমুং-মনুংশিং ফাবগী থবক চথবা হৌরকখিবনি। সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী ট্রেঞ্জ লমদমদা লৈবা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমগী মরী-মতা থোকপা মীওই অমসু টেররিষ্টশিংনা ফাজিনখি। অদানান অহম্মদ সাহ (২৬) টেররিষ্টশিংনা শগোলশেন নুমীৎকী নুমীদাংদা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ফাখিবনি। মদুদা নত্তনা পুলিস ওফিসর অমগী মচানুপাসু ৱাথু খুঙ্গংদগী ফাখি। জাসির বট কৌবা পুলিস ওফিসর অদু হজ লাই খুরুম্বা চৎখিবনি। মহাক লৈত্রিঙৈ চৈরক্তা মচানুপা অদু টেররিষ্টশিংনা ফাখিবনি হায়রি।

পত্না সেল্টর হোমদা লৈরম্বা অহুমশুবা নুপী অমা লৈখিদ্রে

পত্না, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):

পত্নাগী ৱাথোক ওইখ্রবা সেল্টর হোমদা লৈরম্বা নুপী অনী লৈখিদ্রবা মতুং ঙরাং অহুমশুবা ওইনা সেল্টর অদুদা লৈরম্বা নুপী অমা লৈখিদ্রে। সেল্টর হোম অদুদা লৈরম্বা নুপী অনী থিবা খঙদনা লৈরকখ্রবা মতুং নৌনা নুপী অদু লৈখিদবনি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না চহী ২৭ রোম শুরবী নুপী অদু পত্না মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা ঙরাং ইরাই নুমীৎতা অরুবা ফীভমদা লায়কন্ননবা পুখৎলকখি। নুপী অদু শ্বর হোনবা ঙমদ্রে হায়না ৱাকৎলমখি। লোয়ননা কা হেন্না ঈ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরমখি হায়রি। নুপী অদু ঙরাং নুমীদাং পুং ৮ লোম তাবদা লৈখিদবনি হায়না পত্না মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট রজিব রঞ্জন প্রসাদনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

সেল্টর হোম অদুদা লৈবা মীওই অয়াম্বা মশা ঙম্লক্তবগী ৱাথোক কয়া লৈখ্রবনি। মদুদা নত্তনা সেল্টর হোম অদুদা লৈরম্বা চহী ৩০ রোম শুরবী নুপী অনী মাঙখিবগী থৌদোকসু লৈরে হায়রি। অদুম ওইনমক হোম অদুদগী নুপী অনী মাঙখিবগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

সেল্টর হোম অদুদা মীওই ৭০ রোম লৈখিবনি। চৎলিবা থা অসি হৌরকপদা চহী ১৬ অমসুং চহী ৪০ রোম শুরবী নুপী অনী লৈখিদবগী ৱাথোক লৈখ্রে। সেল্টর হোম অদু মনিসা দয়াল অমসুং চিরন তনকুমার কৌবা মীওই অনীনা চলাইবা এন জি ও অমনা রন তৌবনি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না ষ্টেটনা শেল থাদুনা হাংদোকখিবা সেল্টর হোম অদুদা মীশি-মীনা নংখিবগী পাউশিং অদু মতম চানা পীরকখিদে। বিহার লৈঙাক্লা সেল্টর হোম অদুদা মতম খরগী ওইবা থৌশিল পায়খৎতুনা য়েংশিনবগী থবক চথরি। চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা মতমগী মতুংইন্না এন জি ওশিং অদুনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা চপ চাবা মহৈ ফংহনগনি হায়রি।

পত্না সেল্টর হোমদা মী শিবগী থৌদোক থোকখিবগী মতাংদা সেন্ট্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না থিজিনবগী থবক চথখিবসু লৈখ্রবনি। বিহারগী মুজাফরপুরদা লৈবা সেল্টর হোম অমদা লৈবা নুপীমচা ৩০ সেক্সুএল এব্যুজ চথখি হায়বগী মতাংদা থিগৎলিবনি হায়রি।

অহমেদ পটেলনা মোটিলাল বোরাগী মহুৎ শিন্দুনা কোংগ্রেস পার্টিগী ট্রেজরর ওইখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):

কোংগ্রেস পার্টিগীদমক মতম শাংনা মরুওইবা থৌ কয়া পুদুনা লাকখ্রবা সিনিয়র লিদর অহমেদ পটেলনা মোটিলাল বোরাগী মহুৎ শিন্দুনা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী ট্রেজরর ওইবগী ফম পুখ্রে।

সোনিয়া গান্ধীনা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মতমদগী অহমেদ পটেল পোলিটিকেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুদুনা লাকখিবনি। মমাঙদা পার্টি অদুগী ট্রেজরর ওইনা থৌ পুরম্বসু লৈখ্রে। মহাক হৌজিক রাজ্য সভাগী মেম্বর অমসু ওইরিবনি। কোংগ্রেসকী মরুওইবা লুচিংবা অমসুং গুজরাত্তগী হৌরকখিবা মীওই অদু পার্টি অদুগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা মীওই অমা ওইরিবনি।

কোংগ্রেস পার্টিদা শেল-থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবা লৈখ্রে। মতম অদুদা পার্টি অদুদা লুপা ক্রোর ১০০ রোমগী ওভর দ্রাফ্ট তাখিবা লৈখি। হন্দক্তা লুচিংবা অদু ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী ট্রেজরর ওইনা খল্লকখিবগা লোয়ননা রাহুল গান্ধীগী মতম অসিদা মোটিলাল বোরাগী মহুৎ শিন্দুনা ট্রেজররগী ফম পুরগনি হায়রি।

মদুদা নত্তনা রাহুল গান্ধীনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা অনন্দ শর্ম্মবু পার্টি অদুগী ফোরেন এফেয়রসকী থৌ পুহনখ্রে। কারন সিংহগী মহুৎতা অনন্দ শর্ম্মা পুশিল্লক্তুনা ফম অদু পায়হনখিবনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী ওইবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মদুদা নত্তনা লোইজিনহো সালেরিওবুনা এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ ওইহনখ্রে হায়রি।

দিল্লিদা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা ঙসি অয়ুক সিটি অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। লোয়ননা লম্বী চখোক চৎশিন্দা চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে হায়রি।

দিল্লিগী ঈশিং থুমজিনখ্রবা জমুনা বজারগা নক্লনা লৈবা হনুমান মন্দির মনাক্তা মীওই ৩০ রোম পুবা বস অমা খুদোংথিবা নংখ্রে। দিল্লি ট্রাফিক পুলিসনা অকনবা ৱার্নিং তৌবগা লোয়ননা লম্বী চখোক চৎশিন্দা চেকশিন্নবা খঙহনখ্রে। ইরাই নুমীৎতা লমদম অদুদা কা হেন্না শাবগী ফীভম অমা মায়োক্লখি। লমদম অদুদা খ্বাইদগী নেম্বা শাবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ২৮ ওইখি। নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ৮১ ওইখি হায়না মেটেরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংখৎলকপা অদুনা মরম ওইরগা ময়াই ওইরপ কনবা নোং চুরবা য়াই হায়না মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখি। মেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অতিয়াদা নোং মংবা উখি। লোয়ননা লমদম অদুদা শাবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ৩৫ দা হন্থরকখি। অদুম ওইনমক মমাঙগী নুমীৎশিংদা অকনবা নোং চুখিবনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লে। মীওই কয়া পুবা বস অমা ঈশিংনা লাকশিনখিবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। মী কনবা কাঙবুনা বস অদুগী মনুংদগী অহল ওইরবা মীওই কয়া য়াওনা মীওই ৩০ রোম কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

থাংজ নুমীৎ ফাওবদা লৈবাক অসিগী কোনুং অদুদা খ্বাইদগী শাবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ৩৩ ওইখি। অদুগা খ্বাইদগী ঈংবা চাংনা দিগ্রী সেলসিয়স ২৭ ওইখি হায়রি। অকনবা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা সিটি অদুগী লম্বী কয়া ঈশিং থুমজিনখি। মোটিবাগ, আর কে পুরম অমসুং লক্ষ্মী নগরনচিংবা মফম কয়াদা অকনবা নোং চুখিবা থেংনৈ হায়রি।

স্মৃতি ইরানিনা রাহুল গান্ধীগী অমেথি কনষ্টিট্যুএন্সিদা দিজিটেল ভিলেজ হৌদোকখ্রে

লক্ষনৌ, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):

য়ুনিয়ন টেক্সটাইল মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা ঙসি কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ওইরিবা অমেথিদা দিজিটেল ভিলেজ হৌদোকখ্রে।

বি জে পিগী লুচিংবী স্মৃতি ইরানি কুমজা ২০১৪ গী লোক সভা মীখলদা চাউনা মায় পাক্লকখিবা লুচিংবী অমনি। দিজিটেল ভিলেজ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজি মিনিষ্ট্রিগী মখাদা পায়খৎকদবা থৌশিল অদু ঙসি লুচিংবী অদুনা হাংদোকখ্রে।

দিজিটেল ইন্দিয়াগী থৌশিল মখাদা লুচিংবী অদুনা দিজিটেল বেঙ্কিং সার্ভিসসু শঙ্গাখি। অমেথিদা পাঙথোকপা থৌরম কয়া শরুক য়ারল্লবা মতুং লুচিংবী অদু দিল্লিদা হনখিগদবনি হায়রি।

দিজিটেল ভিলেজ প্রোজেক্টকী মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম ২০৬ কী খুদোংচাবা মীয়াম্না ফংগনি। মদুগী মনুংদা ৱাই ফাই, এল ঈ দি মেন্যুফেকচরিং, সেনিটরি পেদ য়ুনিট অমসুং পি এম দিজিটেল লিটরেসি ইনিসিএটিবকী খুদোংচাবশিংসু য়াওরি হায়রি। দিজিটেল বেঙ্কিং সার্ভিসকী মখাদা মীয়াম্না খুবী নম্লগা বেঙ্ক একাউন্ট হাংবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। অশাংবা চে অমদা চে-চাং কয়া চঙহন্দুনা একাউন্ট হাংবগী থৌশিল পায়খৎপা অদু সিষ্টেম অসিগী মখাদদি লৈররোই। অমেথি কনষ্টিট্যুএন্সিদা রাহুল গান্ধীগী মখুৎতা স্মৃতি ইরানি কুমজা ২০১৪ গী মীখলদা মায়থিখি। মদুগী মতুং বি জে পিনা মহাকপু কুমজা ২০১৯ গী মীখলদা অমেথি কনষ্টিট্যুএন্সিদা অমুক হন্না মীখল থেংনহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অদুনা ফোঙদোকখিবদা, কনষ্টিট্যুএন্সি অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না রাহুল গান্ধীবু শৌগৎলবসু কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অদুনা কনষ্টিট্যুএন্সি অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বশিং উশিন্নদনা লৈরি। অমেথি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীগী মরুওইবা অমসুং হৌরকফম ওইরিবা কনষ্টিট্যুএন্সি অমনি। অদুম ওইনমক য়েংশিনবীদনা লৈরে হায়খি।

ইন্দিয়া, পাকিষ্টান্না ইন্দস বেসিন পৱার প্রোজেক্টশিং য়েংশিনবা য়ানখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):

পকালদুল অমসুং লৱার কলনাই হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট য়াওনা ইন্দস বেসিনদা লৈবা প্রোজেক্টশিং লৈবাক অনীনা পুন্না য়েংমিন্ননবা য়ানরে। লৈবাক অনীগী মরক্তা নুমীৎ নীনি চুপ্পা ৱারী শানরবা মতুং ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী লুচিংবশিংনা ইন্দস কম্মিসনকী মতাংদা কুমজা ১৯৬০ দা তৌনখিবা ট্রিটি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা য়ানখি হায়রি। মদুদা নত্তনা ইন্দস ৱাটর ট্রিটিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবসু খন্নখি। য়ানবা অদুগী মখাদা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা ইন্দস বেসিনদা লৈবা প্রোজেক্ট কয়া পুন্না য়েংমিন্ননবগী অয়াবা লৈরে হায়রি। মদুদা নত্তনা মথংগী মীফম ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপসু য়ানরে হায়রি।

পাকিষ্টানগী এক্সপার্টশিংনা চেনপ তুরেলগী মথক্তা শাবা পকালদুল অমসুং লৱার কলনাই হায়দ্রো পৱার প্রোজেক্টশিং য়েংশিনমিন্ননবা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান্দা ইনভাইট তৌখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা পাকিষ্টান্না অথিংবা পীরকখিবশিং য়াখিদ্রে হায়রি। ইন্দিয়ন ৱাটর কম্মিসনগী লুচিংবা কম্মিস্নার পি কে কক্সেনানা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী দেলিগেসন ওইনা পাকিষ্টানগা ৱারী শানবা লৈখ্রে। নাকল অমরোমদা, পাকিষ্টানগী মায়কৈদগীদি য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরকপা লৈতে হায়রি।

দাউন পাউচেগী মতুংইন্না পকালদুল রিজার্ভরগী অৱাংবা হন্থহন্নবা পাকিষ্টান্না পুখৎলকখি হায়রি। দাম অদুগী ঈমায় মিটর ৫ হন্থহন্নবা ৱাফম পুখৎলকখিবা লৈরে হায়রি।

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI &
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharambi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Normily (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mritunjoy (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhachandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wanllam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apai (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Benje (5 Yrs Experience in Teaching)

HL-B/4797/17/8-15/9

OFFICE OF THE
MANIPUR STATE WOMEN'S DEVELOPMENT CORPORATION LTD., IMPHAL
(A Government of Manipur Undertaking)

N O T I C E

Imphal, the 30th August, 2018

No. 1/11/MSWDC/(Trg/Computer)-2018: It is hereby notified that the Manipur State Women's Development Corporation Ltd., Imphal is conducting 'Basic Computers and Fashion Designing CAD Course', at Diana Computer Centre, Sagolband Tera NC, Road, Imphal West-795001, for 6 months course w.e.f. 19th Sept., 2018 for 30 no. of destitute women with minimum education qualification of XII std. who are in the age group of 18 to 35 years. Stipend of Rs. 300 per trainee per month will be given. If the attendance is below 80% any facility will not be considered. The annual family income of candidates should not exceed double the poverty line in the limit of Rs. 40,000/- for Rural areas and Rs. 55,000/- for Urban areas. Willing candidates to undergo the said training can apply in the prescribed Form obtainable at the Corporation Office, Social Welfare Building, Directorate Complex, near 2nd MR Gate, Imphal on or, before 12th Sept., 2018. Interview/ Selection will be held on14th Sept., 2018 at 11:00 a.m. at the Corporation Office.

Sd/- **Ms. Jacintha Lazarus**
Managing Director, **MSWDC Ltd. Imphal**

OFFICE OF THE
MANIPUR STATE WOMEN'S DEVELOPMENT CORPORATION LTD., IMPHAL
(A Government of Manipur Undertaking)

N O T I C E

Imphal, the 1st September, 2018

No. 1/5/MSWDC/(Trg/YAIS)-2018: Sealed Rate Quotation is hereby invited from the suppliers/ manufacturers for supply of the following furniture and fixtures.

Sl No.	*Items*	*Remarks*
1.	Steel Show Box (3 face)	Size (6 x 6 x $1\frac{1}{2}$) ft
2.	Wooden Table	Size (6 x 4) ft

Interested firms are requested to submit the sealed rate quotations to the Managing Director, MSWDC Ltd. Imphal by 1 p.m. of 11th September, 2018. The rate should be inclusive of all of taxes and F.O.R. Imphal.

The sealed rate quotations will be opened on 13th September at 1 p.m. in the presence of the Authorised dealers or their representatives.

Further one authenticated copy of the latest GST returns submitted by your firm should also be accompanied along with your rate quotations.

Sd/- **Ms. Jacintha Lazarus**
Managing Director, **MSWDC Ltd. Imphal**

OFFICE OF THE
MANIPUR STATE WOMEN'S DEVELOPMENT CORPORATION LTD., IMPHAL
(A Government of Manipur Undertaking)

N O T I C E

Imphal, the 1st September, 2018

No. 1/5/MSWDC/(Trg/YAIS)-2018: Expression of Interest (EOI) is hereby invited from the eligible qualified candidates for engagement as Instructor and Assistant Instructor for imparting 6 months training course on Tailoring and Embroidery to destitute women.

2. Engagement, if any will be purely for a period of 6 months only on the payment of consolidated honorarium at the rate of Rs. 8000/month for Instructor and Rs. 5000/month for Assistant Instructor.
3. Selected persons are liable to be utilized in any District of the State wherein the Corporation intends to impart the said course.
4. The last date of submission of EOI to the Office of the MSWDC Ltd., Imphal indicating details of the boi-data including experience, if any will be upto 13th September, 2018.
5. The date of interview will be on 17th September 2018 at 11:00 a.m. in the Office of the Corporation.

Sd/- **Ms. Jacintha Lazarus**
Managing Director, **MSWDC Ltd. Imphal**

OFFICE OF THE
MANIPUR STATE WOMEN'S DEVELOPMENT CORPORATION LTD., IMPHAL
(A Government of Manipur Undertaking)

N O T I C E

Imphal, the 1st September, 2018

No. 1/5/MSWDC/(Trg/YAIS)-2018: It is hereby notified that the Manipur State Women's Development Corporation Ltd., Imphal is conducting Vocational Training Programme in the trade of Tailoring and Embroidery at Yaiskul, Imphal West for 6 (Six) months course w.e.f. 24th September, 2018 for 20 destitute women (8 Embroidery and 12 Tailoring) who are in the age group of 18 to 45 years. Stipend of Rs. 300 per trainee per month will be given. If the attendance is below 80% any facility will not be considered. The annual family income of candidates should not exceed double the poverty line in the limit of Rs. 40,000/- for Rural areas and Rs. 53,000/- for Urban areas. Willing candidates to undergo the said training can apply in the prescribed Form obtainable at the Corporation Office, Social Welfare Building, Directorate Complex, near 2nd MR Gate, Imphal on or before 18th September, 2018. Interview/ Selection will be held on 20th September, 2018 at 11:00 a.m. at the Corporation Office.

Sd/- **Ms. Jacintha Lazarus**
Managing Director, **MSWDC Ltd. Imphal**

HL-B/4828/2